# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-10-2025)**

**পুলিস (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা মপুং ওইনা শান্তি রক্সাগী ফিভমদা অকায়বা পীবা থৌদোকশিং থোকখিবগী পাউ লৈতে।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ইন্টিলিজেন্সতগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং ফাখি। মনিপুর পুলিসকী কাংবু অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা শিংজমৈ লৈশাংথেম লৈকাইদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা ফাখি। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা পোরোম্পাৎ অয়াংপল্লি লন্বীদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী মীওই অমসু ফাগৎখি।

পাউ অসিনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা প্রিপাক (প্রো) গী মীওই অনিসু ফাগৎপা ঙমখি। ফারবা মীওইশিং অদুদগী থারতি সিক্স হাই এক্সপ্লোশিব হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনি ফংখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারবা মীওইশিং অসিনা ৱাংজিংগী অকোইবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংদগী নম হাদুনা শেম খায়বদা চেন্নবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, চুরাচান্দপুর পুলিসতা সেনিয়ার ওফিসার ওইনা লৈবা মীওই অমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শকখঙদবশিংনা কিহল্লম্লে। থৌওং অদুবু মনিপুর পুলিসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি।

পুলিসকী পাউনা মখা তানা হায়-পুলিস কমেমোরেসন ৱিক ২০২৫ গা মরী লৈননা মনিপুর পুলিস ট্রেন্নিং কলেজ-পাংগৈনা পাংগৈ বজার অমসুং

অচাখোঙগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামগা খুৎশমদুনা লু-নানবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

মরক অসিদা, রাজ্য পুলিসনা মোটোর ভেহিকলগী নিয়ম কায়না গাড়ি থৌবশিংগী মথক্তা মখা তানা দ্রাইব চথুরি। ঙরাংসু নিয়ম কায়না গাড়ি থৌরকপা মীওই ১১ চলান কক্তুনা ফাইন থিহনখি।

**আউটরিটচ (এল)** ঃ কেন্দ্র সরকারগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী রাধা মন্দবা আদরস সংস্কৃট মহা বিদ্যালয়-নম্বোলদা স্বাচতহি সেভাগী মতাংদা অখন্নবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা স্বাচতহি সেবাগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি অমদি হীরম অসিগী মতাংদা মহৈরোইশিংগী ওইবা কুইজ কম্পিটিসন পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তারবশিংদা মনা পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৭ শুবা ইপিসোদ ঙসি অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হয়েং শন্দোক্কনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা ২২ শুবা অসিয়ান ইন্দিয়া সমিটতা ভরচুয়েল ওইনা শরুক য়াগনি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না ফোংদোকপা ৱাফম অমদা হায়-প্রধান মন্ত্রি অমসুং

আসিয়ানগী লুচিংবশিংগা খুৎশমদুনা আসিয়ান -ইন্দিয়াগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা চাউখৎ থৌরাংগী ফিভমশিং অমুক হন্না য়েংশিনগনি।

মন্ত্রালয়না হায়-আসিয়ান লৈবাকশিংগা মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা ভারতকী এক ইষ্ট পোলিসি অমসুং ইন্দো-পেসিফিক ভিজনগী য়ামা মরুওইবা য়ুন্বী অমা ওইগদৌরিবনি। মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা প্রধান মন্ত্রিগী মহুৎ শিনদুনা হয়েং মালেসিয়াগী কোলারামপুরদা পাঙথোক্কদবা ২০ শুবা ইষ্ট এসিয়া সমিটতা শরুক য়াগনি। সমিট অসিদা ইন্দো-পেসিফিক লমদমশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী হেন্না ফগৎহন্দুনা শান্তি অমসুং খুমাং চাউশিনবা লমদমশিং ওইনবা ৱাফম কয়া খন্নগনি। লোয়ননা লমদমশিং অসিগী হৌজিক ওইরিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদসু মোতশিং ফোংদোকগনি।

**রাধাকৃষ্ণনঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, নুমিৎ নিনিগী সেচেলিস খোঙচৎকীদমক ঙসি ভারত থাদোক্লগনি।

মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-ডা: পেত্রিক হরমিনি ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। উপ রাস্ত্রপতিগা খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়-উপ রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি ওইনা ৱাশক লৌগদৌরিবা ডা: হরমিনিবু ভারতকী মহুৎ শিনদুনা ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরক্লিবা শাংলবা মরী অসি হেন্না চেৎশিলহন্নবা ৱাফম কয়াসু খন্নগনি।

পনবা য়াবদি, ভারতকী ইন্দিয়াস ভিজন মহাসাগরগী মখাদা সেচেলিসসু য়ামা মরুওইবা মপাং অমা ওইরি।

**বিহারঃ** বিহার বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ওইনা এন.দি.এ. অমসুং অতৈ রাজনিতি দলশিংগী স্তার কেম্পেইন্নরশিং য়াওনা অকনবা মওংদা ভোট

খোম্বগী থবক চত্থরি।

এন.দি.এ. অমসুং মখোয়গা চৎমীন্নরিবা দলশিংগী লুচিংবশিংনা বিহারদা থবক ফংদবা অমদি চাউখৎ থৌরাংশিংদা থিন্থরিবা অসিগী মতাংদা হান্নগী সরকারবু অকনবা মওংদা নিন্দা তৌখি। বি.জে.পিগী লুচিংবা অমসুং গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ্ য়াওনা এন.দি.এগী মীরেপশিংগীদমক অকনবা মওংদা ভোট খোল্লি।

নাকল অমরোমদা, মহাগত-বন্ধনগী মুখ্য মন্ত্রিগী মীরেপ ওইরিবা তেজশ্রী প্রসাদ য়াদব অমসুং বিকাশিল ইনসান পার্টিগী লুচিংবা কয়াসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি।

**সাইক্লোনঃ** বঙ্গোপ সাগরদা লাক্কদৌরিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ থেংননবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা ঙরাং কেবিনেট সেক্রেটরি-ডা: টি.ভি. সোমনাথননা সভাপতি ওইদুনা নেসনেল ক্রাইসিষ্ট মেনেজমেন্ট কমিতি (এন.সি.এম.সি) গী মীফম পাঙথোকখ্রে।

মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-বঙ্গোপ সাগরদা ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা থা অসিগী ২৮ ফাওবদা লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং খা থংবা সমুদ্র খোঙবানশিংদা লৈবা রাজ্যশিংদা অকনবা নোংলৈ অমা লাকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা শোকহল্লকপা য়াবা রাজ্যশিং-তামিল নাদু, অন্ধ্র প্রদেস, পুদুচেরিগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং উরিষ্যাগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরিনা কমিতিগী মীহুৎ ওইরি।

**অশ্বিনিঃ** কেন্দ্রগী ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়রি-ভারত অসি মোবাইল মেন্যুফেকচরিং ইন্দষ্ট্রিদা মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইবা ঙম্লগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী বৈসনোনা হায়-চহি অনিগী মনুংদা লৈবাক অসিদা অতোপ্পা লৈবাক্কী মতেং য়াওদনা মোবাইল ফোনশিং শাবা

ঙন্নগনি। সি.সি.টি.ভি. কেমেরা য়াওনা তোঙান তোঙানবা এপ্লিকেসনশিংগী চিপ সেটশিং লৈবাক অসিদা হৌজিক শাবগী থবক চথরি। সাভর য়াওনা য়াংনা থবক তৌবা ঙম্বা কম্প্যুটরশিংগী মাইক্রো প্রোসেসরশিং শেমগৎনবা সরকারনা লুপা কোতি ২০০ হেন্না থাদরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আই.দি.পিশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি লন্নাইগী নত্তে, লৈবাক্কীদমক্তনি হায়বসি মীয়ামা কাউগুমসি হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্-এন. বিরেনগী ৱাফম, দেঙ্গি লায়চৎ মনিপুরদা লেপ্তুনা হেনগৎলকপা অমসুং মোরেদা য়ুম তরা মৈনা চাকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

আই.দি.পিশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি লন্নাইগী নত্তে, লৈবাক্কীদমক্তনি হায়বসি মীয়ামনা কাউগনু হায়বা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী ৱাফম পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

উরিপোক অপুনবা লুপ অমদি উরিপোক অপুনবা নুপী লুপনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা নিংঙোলশিংবু চাক্কৌবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-মোরেদা য়ুম তরারোম মৈনা চাকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুরনা জপানদা চাকহাউ থাদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউচেশিংদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন দিমান্দ তৌরদ্‌না ন্যু দিল্লিদা কে.এস.ওনা খোঙজং চংশিনখ্রে। কুকি এম.এল.এ, সু গ্রুপকী চীফ অমসুং কে.জেট.সিগী মীহুৎশিং অমত্তা শরুক য়াদবদগী কে.এস.ও. নিংবা কায়খ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দেঙ্গি লায়চৎ মনিপুরদা লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। নৌনা মীওই ৬৯ পোজিটিব ওইদুনা দেঙ্গিগী কেস লিশিং অহুম হেনগৎখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংবা থেংনরি।

মিজোরামদগী ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং তকথোক্কদৌরি হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা-আইননা য়াদবা মওংদা হেনগৎলক্লিবা খুলশিং তকথোকবা মিজো মহৈরোইশিংনা সরকারদা তকশিনখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক্তা-গভরমেন্টনা ষ্টেট অসিদা মীতোপশিং চংল্লকপ্রা কুপা য়েংশিনবীয়ু, সেন্টরনা ষ্টেট এসেমব্লি রিজোল্ব তৌরগা নৌনা ইলেক্সন তৌহন্নিংই হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইনমেটশিং ময়ুমদা হনজিনদ্রিবা ফাওবা ইং তপ্পা হনজিল্লক্লে হায়বা য়ারোই, কংগ্রেসনা লৈঙাক্লল্লবদি ইনমেটশিং ময়ুমদা হনজিলহল্লমগদবনি হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সঙাইগী লৈফম ওইরিবা কৈবুল লমজাউগী ফিভম শোকচিল্লক্লে। কুমজা ২০৫০ ফাওবদদি মাংখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না পিপলস ক্রোনিকলদা অখন্নবা পাউদম ওইনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-পোলিটিকেল লিদরশিংনা মনিপুরদা ইং তপ্পা হনজিল্লে হায়রিবসি মীৎতা উৎ চাইবনি হায়বা এম.পি. বিমোলগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মিজোরামমগীদি ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌরে, মনিপুরগীদি কদাই য়ৌখ্রবনো খঙদ্রি, মিজোরামদগী ভেলিট ওইবা আই.এল.পি. পায়দবা ইলিগেল ইমিগ্রেন্ট অমসুং ত্রাইবেল নত্তবশিং তকথোকপা হৌরে হায়বা মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি-লালদু হোমাগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।